হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ১১, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২২১ শুবা মশীং

# কাঙলুপকী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি

***লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ৱাফমদা অঙম তান্নরোইদবনি***

**মণিপুরদা** নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লবা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা ঙৈহাক লৈতনা নিংঙাই শংদানবগী থৌদোক কয়ামরুম থোরক্লি। থৌদোকশিং অসিগী হৌরকফমদি মাগী মাগী কাঙলুপকী হায়বা ৱাখলসিনা মাঙদা থারগা থবক তৌরনরকপনি। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা তাঙ্খুল, মাও, মরাম, মরিং, অনালনচিংবনা মপূং ওইরগা অপীক অপীকপা অতৈ ফুরুপশিং পুনশিল্লগা নাগা হায়বা বেনর অমগী মখাদা পুল্লগা থবক তৌমিন্নরি। অপূনবা হায়বসিদি পাঙ্গল শাগৎপনি। নাগাশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা মপাঙ্গল শাগৎলিবা অসুম্না অতৈ কাঙলুপ পূন্নমক কোনশিল্লগা মণিপুরগীদমক মপাঙ্গল শাগৎপা ওইরগদি মণিপুর অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী নোংমদি মাঙজিল থাবা ওইরক্কনি। অমরোমদা কুকি ফুরুপশিংসু অদু মঙাই, মপাঙ্গল শাগৎপগী মীংদা খূৎলায় পায়বা লূপ কয়ামরুমগী মরুম থুপ্লগা হৌজিকসু থবক তৌবগী মমি তাই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম হায়বসি তুংওইননা থল্লগা কুকিশিংগী হোমলেন্দ নৎত্রগা তোখায়বা ষ্টেট অমা শেন্বগী ৱাফম তোয়না পুশিল্লকই। মসিনা পোলিটিকেল লাইন্দা চঙশিল্লকপদগী ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা অতৈ কাঙলুপশিংগা নুংশিনবগী মরী লাপথোক্লরকই। অসুম্না কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা পুকচেল শেপ্নরক্তুনা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অপনবা কয়ামরুম থোরকই। নাগাশিংসু মসিগা চপ মান্নবা মওংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈতবা তোখায়বা লৈঙাক অমা লৈবা পাম্মী হায়বা দিমান্দ তৌরি। মখোয়না তৌরিবা দিমান্দ অদুগা ইরোইননা কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল্লোন পুশিল্লক্লগা মণিপুর লৈঙাকপু করিগুম্বা মতমদা মখোয়না কম্ম্যুনেল গভর্ণমেন্ট হায়না ইরায় লায়না মমিং থোল্লিবসি অফবা নত্তে।

মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক কাঙলুপ মশেলগী ওইবা ৱাফমদা ফোং ফোং শাবা ইশ্যু অমা হায়বা তারগদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বসিনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুন্দারিবা কুকি ফুরুপশিংনা দিমান্দ অসি পীদবা য়ারোই হায়দুনা অকনবা প্রেসর তৌই। অদুগা অমরোমদনা নাগা ফুরুপশিংনা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়দুনা য়াম্না কনবা ৱাফম ফোঙদোক্লি। মণিপুর লৈঙাকসু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অনী হায়বদি জিরিবাম অমসুং সদর হিলস শেম্লগে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈবা মাল্লি। মসিনা মরম ওইরগা সদর হিলসকী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকপগী থৌরম পাঙথোক্লনবা থৌরাংসু লৈরম্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, লৈঙাক চলাইবদা খুদোংচাননবা অমসুং নুংঙাইননবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট অনী নৎত্রগা অহুম নৌনা খাইদোকপদা য়েৎননিংঙাই করিবু লৈবগে। দিষ্ট্রিক্ট খাইদোকপা তারবদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটরশিং তোঙাল্লক্কনি। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা হেন্না খুদোংচাননবা এস পি ওফিস হাংদোকপগা লোয়ননা পুলিসকী মপাঙ্গল কনখৎলক্কনি। অসুম্না চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং কাচিন কোয়া য়ৌশিনবা ঙম্লমদবদু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট খাইদোক্লক্লবদি শোয়দনা য়ৌহনবা ঙমগনি। মীৎয়েং অসিদা মীয়াম্নসু দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা য়েৎনিংঙাই লৈতে। অদুবু লুরিবদি মণিপুরগী পীকখ্রবা লমগী শরুক অসিদা কাঙলুপ মশেল মথি ফোঙনদনা মনুংদা লম য়েন্থোক্লবগী মওং অমা তৌরক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা সদর হিলসকী মফম অসি নাগাশিংনা মখোয়গী অহল-লমনশিংনা থল্লম্বা লমনি হায়না ক্লেইম তৌরি। অমরোমদা কুকিশিংনা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইদ্রিঙৈগী মমাংদগী হৌনা সদর হিলস অসি লেংদনা লৈরক্লবা মফম অমনি হায়না ফোঙদোকই। ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি কুকিগী এম এল এ অহুম সদর হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ফিরেপ খঙদোক্লনবা থা অসিগী ৯ দা কাংপোকপীদা কৌরি। লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা মীয়াম্না কুকি এম এল এ অহুম অমসুং কোংগ্রেসকী অতৈ কাউন্সিল্লরশিংগা হেন্না কনবা প্রেসর পীবদি য়াই মদু নত্তনা ফম থাদোক্লনবা ৱাফমলোমদা পুশিল্লক্লবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংদে।

**••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••**

## ভোট মমাঙদা লূ থুম্নকপা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***


**মণিপুরদা** লৈঙাক্কী থবক ফংদবা লাইরিক-লাইশু হৈবা নহারোল লাক্ষ কয়া লৈরি হায়বসি এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ওফিসতা লৈরিবা থবক থিরিবা লিষ্টতগী খঙবা ঙম্মী। মণিপুর লৈঙাক্কী থবক ঙাইনা ঙাইনা সেন্ত্রেল পোষ্টতা এপ্লাই তৌবদগী আর্মিদা, নেভিদা অমদি অতৈ অতোপ্পা থবকশিং তৌবা কয়া য়াওনখ্রে। মসি অফবা খোঙথাংনি। মণিপুরদা অনৌবা কোল-কারখানা, ফেক্টরি লিংখৎলকপগী ৱাফম লৈতে। অদুনা কদাইদগী থবক ফংগদৌরিবনো? হান্না লৈজরম্বা কয়াসু দিফং ওইদুনা লৈখ্রে। লাইরিক লাইশু হৈরবা মীগী মশীংদি নোংমা নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লি। মসি লৈঙাক্না লোয়না থবক পীবা ঙম্বসু নত্তে। মরম অদুনা লন্নাইগী ওইবা থবক কয়া তৌদুনা হিংনবা হোৎনবা মথৌ তাই। বি এ, এম এ কয়াসু ওটো থৌদুনা শেল তাল্লি। ওক, য়েন লোইবা, ইমব্রোইদ্রি হাংবা, দুকান ফম্বা, প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইবা কয়াসু য়াওনরিবা অসিনা তাকপদি লৈঙাক্কী থবক্তা থবক নত্তে হায়বসি ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। চাদবদি য়াদে অদুনা ঐখোয় অফং অফংবা থবক শুদুনা শেল তানবা মথৌ তাই।

অসুক কুইবা মতমসিদা লৈঙাক্কী থবক অমত্তা কৌদ্রগা হন্দক্তা ভোট মমাঙদা খূৎচাউ থাদুনা অরৈবা দিপার্টমেন্ট খুদিংদা থবক কৌরকপসি ঙক্তবা ঙমদে। ভোট মমাঙদা লূ থুম্বা ওইনা থোক্লোইদ্রা। কৌরক্লবনিনা এপ্লাই তৌনরে অদুবু হায়দোকপা ঙমগদ্রা ঙমলোইদ্রা হায়না চিংনবদি লৈনরি। পীনখিবা শেনফম ময়াম মাঙলগদ্রা, পীহৌদ্রগনা য়াওরক্লোইদ্রা নৎত্রগনা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল লৌবগী ৱাথোক অদুগুম্না তারক্কদ্রা হায়বগী চিংনদবসু ঙমদে। চাকচা মমাঙগী লীলা কনানা য়েংনীংগদগে? নংহৌররোই মতাগুম ভোট মমাঙদা থবক কৌরকপসিদি ঙক্তবা ঙমদে। হায়দোকপা হায়দোক্তবা লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরে।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০**

১। 'থোং নম্বোনবী' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
২। 'পুন্সিনা পুন্সিগীদমক' কৌবা রেদিও ড্রামাগী লাইরিক্তু কনানা ইবনো?
৩। ''শৈরেং অমা উমদুনা/অসুম চৎলি অসুম অসুম/শৈরেং অমা...।''
অইবী (কবি) নুপী কনানা হায়বনো?
৪। "Behind a curtain" হায়না ইংরাজিদা লাইরিক ওইনা হন্দোকপা অইবদু কনানো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# মিনিষ্টর ওইনীংবগী মঙলান লুপা ৫০০/১০০০ চৎপীশিংনা কায়হনখিবা

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**বি পি** ৱাংখৎপগী গুলি য়াম্না লৈনরে হায়না তাই ফার্মাসিদগী। ফার্মাসি ফম্বশিংসু থোয়না ঙক্না থোক্তে হায়। মীয়ামসু থোয়না ঙক্লদে। শেল পায়দবা মীওইশিংদি বি পি ৱাংখৎত্রে। অদুনা বি পিগী গুলি লৈদুনা চাদ্রে। কুম্মৈ য়েংদুনা লৈ করিনা হায়ববু লায়রবশিংদি শেল লৈতে। ইনাকখুনবশিংদি ৱাখল লায়নানা নারে লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপীশিং চৎনহনখিদবদা। অদুবু মশা-মশাদি খন্থজদবা নত্তে অদুক য়াম্বা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপী শেলশিং ময়ূমদা লোন্না থল্লুবদগীনি হায়বদু। ময়ূমদা শেল পৈশিন্দুনা থম্বা হায়বসি লোনা য়াবা থবক নত্তে। মীয়ামগী শেল থম্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা বেঙ্ক হায়বসি থল্লিবনি। মসিদা নত্তনা শেল থম্বগীদমক কান্নবা কয়াসু পীরিবনি। মসি মীপুম খুদিংমক্না লোয়না ইখঙ খঙনৈ। অদুম ওইনমক শেল য়াম্না পায়বা মীয়ামদি বেঙ্কতা থম্বগী মথক্তা ময়ূমদনা হেন্না থম্নৈ। মতাং অসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি অদুক য়াম্বা শেলদি করিগী বেঙ্কতা থম্নিংদ্রিবনো হায়বসিনি। বেঙ্কতা থম্বনা হেন্না কান্নৈ অমদি হুরান-চিন্থি তৌবদগী ঙাকথোকপা ঙম্লিবনি। অদুবু থমদে বেঙ্কতা। ময়ূমদা ওইনা থম্নৈ শেঞ্জাও পায়বশিংনা। অদুনদি লৈরিবা য়াল্লবা শেনফম অদু অরানবা পাম্বৈগী ফংলকপা শেনফমনি। মদুনা মরম ওইরগা বেঙ্কতা থম্বা পামদে। মদুগী মরম থিগৎলকপা য়াবনা ময়ূমদা লোন্না থম্বনি।

মোদি গভর্ণমেন্টনা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপীগী পৈশাশিং চৎনহনখিদ্রে। অনৌবা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ২০০০ চৎপীগী শেলশিং পুথোরক্লগনি। ইখঙ খঙহৌদনা লাউথোরকপা ৱাফম অসিদা মী পূন্নমক অঙকপা ফাউনৈ। মসিগী মমাঙদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী শাহুম অমফাওবা ফংনখিদে। খঙহৌদনা লাকপা সুনামিগী অচৌবা ঈথক অমগুম্বনি। অচৌবা ঈথক লাক্লবদি কদায়-কদায়দনো খরদি শোকপা তাবনি। অদুনা ইনাকখুনবা অমদি লায়রবসু খুদোংচাদবা মায়োক্নে। অদুবু হেন্না অৱাবা নংলিবদি ইনাকখুনবা মীওইশিং অসিনি। লায়রবা মীওইশিংদি অৱাবা নংদে হায়বা য়াই। মোদি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী নুংগী ওইবা মরম খরদি লৈ। মসি মশাগী অমদি মীওই খুজোক খরখক্কী কান্নবা ফংনবা অমদি ওইজবা থিনবা খোঙথাং অমদি নত্তে। কনাগুম্বা মীওইশিংনা হায়নৈ ব্লেক মনি থম্বা থিংনবনি। খরনা হায়নৈ মসিনা ব্লেক মনি থিংবা ঙম্লোই। মোদি গভর্ণমেন্টপু মতম লৈবা খিবিক্তা মরাল শিনিংবা মীওইশিংনা হন্দক্কী খোঙথাং অসিনা ব্লেক মনি থিংবা ঙম্লোই মরমদি ব্লেক মনি অয়াম্বদি ফোরেন বেঙ্কশিংদা থম্নখিবদগী ফোরেন করেন্সিদা হান্না ওন্থোকখ্রে হায়বনচিংবা হায়নৈ। মসিসু য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। অদুবু কা হেন্না শেঞ্জাও পায়বা মীওই পূন্নমক্কী শেল লোয়নমক ফোরেন বেঙ্কশিংদা থম্নিংবা/থৈদোক্লিংবা মতমদা হেক্তা থৈদোকপা ঙম্বা নত্তে। থবক অসি য়াম্না লুবা অমনি। মীওইশিং অসিগীসু ফোরেন বেঙ্কতা থৈদোকপা ঙমহৌদবা শেনফম কয়া (লুপা ৫০০/১০০০) ময়ূমদা নমদুনা লৈরিবনি। মসিগী শেনফম অসি হন্দক্কী মোদিগী খোঙথাং অসিনা মাঙহল্লে য়াম্না লায়না। অদুগা অমনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ব্লেক মনি থম্বা শেঞ্জাও পায়বা মীওই খুদিংমক ফোরেন বেঙ্কতা শেল থৈদোক্তুনা থম্বা ঙম্বা নত্তে। মীওই কয়া কয়া ময়ূমদা ব্লেক মনি থল্লিবনি। ফোরেন বেঙ্কতা শেল থম্বা মীওইদগীদি থমদবা মীওইনা মশীং য়াম্না শাথিনা হেল্লিবনি। হন্দক্কী খোঙথাং অসিনা ময়ূমদা থম্বা ব্লেক মনিশিংদু চেজেৎ তাহনখ্রে। মসি লুপা ক্রোর, লাক্ষ-লাক্ষ কয়ানা খুজিং ওইদুনা মাঙহনখ্রবনি। মসিসু অমরোমদা ব্লেক মনি থিংনবগী খোঙথাং অমনি ফোরেন বেঙ্কতা থৈদোকখ্রবা ব্লেক মনিগী শেনফমশিং অদু য়াওদ্রবসু। অদুনা ব্লেক মনি থিংবদা থোইদোক্না কান্নরোই হেক্তা হায়বদি খরা চানদে।

ইন্দিয়াদা জালি নোট কয়া থাজিল্লক্লি পাকিষ্টান অমদি নেপাল লোমদগী হায়বা ৱাফমসি মীপুম খুদিংমক্না ইখঙ খঙনরে। ইন্দিয়াগী লুপা ৫০০/১০০০ চৎপীশিং পাকিষ্টান্দা নম্লগা থাজিল্লকপনি। মসিনা মরুওইনা কাশ্মীরগী টেরোরিষ্টশিংনা মখোয়গী থবক অয়াম্বদা হায়রিবা জালি নোটশিং অসিনা শীজিন্নৈ। টেরোরিষ্টকী থবক হায়বা অসি শেল য়াম্না চঙবা থবক অমনি। লৈবাক ঙাকপগুম্বনি। অদুক য়াম্বা শেনফম অদুদি মখোয়দি কদায়দগী লৌরুগনি। মশাগী মীয়ামদগী খায়রগা নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংদগী খায়রুবা শেনফমদুনা মখোয়গী থবক তৌবা ঙম্বা নত্তে। লায়রবা মীয়ামদুদগী কয়াম কুইনা খায়রুগনি। মদুদি তুং কোয়বা য়াবা থবক নত্তবনিনা তুং কোয়বা য়াবা লম্বী অমা থিরকপনি। লম্বী অদুদি জালি নোট শীজিন্নবনি। জালি নোট ওইরবদি শীজিন্ননিংবা শেনফম শীজিন্নবা য়ারে। মসিনা খূৎলায় কয়া, চাবা থকপা, লৈবা অমদি থবক কয়াদা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা ঙমই। মখোয়না ঙম্লিবগী মরমদি জালি নোটশিং অসি পাকিষ্টান্না নম্লগা কাশ্মীরগী টেরোরিষ্টশিংগীদমক থাজিল্লকপনি। জালি নোটশিং অসিনা ইন্দিয়াগী শেল থুমগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক অকায়বা পীরে। মসিদসু নত্তনা মীহাৎ-মীপুন, নমদুনা মী ফাবা, কিহনবা, লৈঙাক্কী থবক্তা য়াম্না শাথিনা অকায়বা পীরে। মসিনা কাশ্মীরদগী হেন্না চাউনা শন্দোরক্তুনা লৈবাক অসিদা টেরোরিজমগী থাক য়াম্না হেনগৎলক্লি। মরম ময়ামশিং অসিদগী খরমখৈ নান্থোকপা ঙম্নবা জালি নোটশিং অসিদা অথিংবা পীরকপনি হন্দক্কী খোঙথাং অসিনা। পাকিষ্টান্দা নম্বা ইন্দিয়াগী লুপা ৫০০/১০০০ চৎপীশিং অদু চৎনদ্রে হায়রবদি টেরোরিষ্টশিংনা মখোয়গী থবক্তা শীজিননবা থল্লম্বা জালি নোটশিং অদু শীজিন্নবা ঙম্লরোই। সেক্যুরিটিগী থবক্তা মসিনসু অচৌবা মতেং অমা পাঙলিবনি।

অতোপ্পা মওং অমদা য়েংলুরগনা মণিপুরদা তৌগদবগী থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরবা ১১ শুবা এসেমব্লি মীখল অসিদসু মরী খরা লৈনরক্লি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংদসু চাওরবা সুনামিগী ঈথক অমনা য়ৈরে হায়বা য়াই। য়াম্না শাথিনা শোকহল্লিবদি অচৌবা ফন্দ য়াম্না লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদনি। মীয়াম্নদি পাম্নদ্রবসু ভোটতি কাগনি অদুগা গভর্ণমেন্টসু পায়গনি হায়না লৈবা পার্টিসু লৈরি। মদু অতৈ পাম্বৈনা নত্তে মীয়ামদা শেল য়াম্না চাউনা য়েল্লগা ভোট লৈগদৌরিবনি। শেল য়াম্না চাউনা য়েন্দ্রগদি মীয়াম্না পাম্নদ্রবা পার্টি লৈরি। পার্টি কয়ানা নৎত্রগা মীয়াম্না ফৎত্রে হায়গে হায়জসনু শেল হেক পীবদা য়ারোইদবা কনানো হায়দুনা মুক্তুনা লৈবা পার্টি লৈরি। মসিদসু নত্তনা তোঙান তোঙানবা পার্টিদা মীরেপ ওইগদবা মীওই কয়া শেল পৈশিন্দুনা থম্নরিবনি। অদুবু ঙসিদি করি থোক্লে মোদি গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসিনা? পূন্নমক অরেম্বদা তারে। মীরেপ ওইগদবা মীওই কয়া কপ্পল্লগনি। মীখলদা শীজিন্ননবগীনি হায়দুনা ময়ূমদা থল্লম্বা লুপা ৫০০/১০০০ চপীশিং অদু শীজিন্নবদা কান্নররোইদবা চেজেৎ ওইরে। মখোয়গী য়াংলেন শরু তেক্লে। শেনফমশিং অসিগী মতেংনা মখোয়না ৱা চাউনা চাউনা ঙাঙবা ঙম্লিবনি। মীয়ামদা মখোয়বু মরৈবাক নীংবা, মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবা মীওই ওইনা উহল্লি। অদুবু ঙসিদি মখোয়গী লুপা ৫০০/১০০০ চৎপীশিং অদু মাঙখ্রবনিনা হন্দক্কী এসেমব্লি মীখল অসি ময়েক খরদি শেংলগনি। শেলনা মী লৈবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদুদি লৈররোই। মরম অদুনা হন্দক্কী মোদি গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসি মণিপুরগী লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অসিদদি য়াম্না কান্নবা থবক অমা ওইগদৌরি। য়াল্লবা শেনফমশিং অসি য়াওদ্রবদি মশানা মশাবু মীয়াম্না য়ারবা মীওইনি হায়দুনা মীয়ামদা নমথাক তৌবদু ঙম্লরোই। মরমদি মখোয়গী য়াল্লবা শেনফম অদু মাঙখ্রবনিনা। ওন্থোক্না পাম্মুখ্রেদা হায়দুনা মকোক পায়দুনা ৱান্থগে তৌরমগনি। চাক চাবা য়ারম্লোই। য়াম্না শাথিনা মথ্বায় নুংঙাইরম্লোই। তৌগদবা থবক, খঞ্জরম্বা মঙলান পূন্নমক লোয়না কায়রে হায়দুনা তূম্ফম-চাফম খঙলম্লোই। শেল পুথোরক্ত্রবদি মখোয়গী ৱার্করশিংসু মথৌ পাঙথোকপা হন্থরকপা তাবনি। মদু ওইরবদি মীখলগীদমক কানদবদা মতম মাঙবা, চাকচা-য়ুথক, খৎন-চৈনবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি।

ময়ূমদা পৈশিন্দুনা লৈরিবা চৎনদ্রবা শেলশিং অদু অনৌবা শেলদা কায়থোক্লবা হোৎনবদা করিগুম্বা চিংনবদগী কেস লৌখৎলক্তুনা ফারবদি লৈজরম্বা মরল-মথুমশিং গভর্ণমেন্টনা লোয়না মৎখিদুনা মশা, নুপী-অঙাংশিং ফাদুনা কৈশুমশঙদা য়ৌগদৌরিবনি মশাগী লাক্লিবা শেনফমগা চানদে হায়দুনা। কায়থোক্ত্রে কদায়দবু হুন্দোক্লগনি য়ামখ্রবা শেলগী মপুল-মপুলশিংদুবু। মসিসু অরুবা থবক অমনি হায়ববু মীয়ামগী শেল মখোয়না হায়হৎপনি। হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা হায়বদুনি। লাই লৈ হায়বসি হন্দক্কী থৌদোক অসিনা তাকই। মীয়ামদা শেল য়েল্লগা মীহুৎ ওইগে খনবা অচৌবা নমথাক্লি। শেল পীরগা মীয়াম্বু তেথহন্দুনা মিনিষ্টর ওইগে খনবা মখোয়গী মঙলান অদু খরমখৈদি কায়রে হায়বা য়াই হন্দক্কী থৌদোক অসিনা। অদুবু মখোয়না খঞ্জরমগনি থাজদে মখোয়না তৌরুরিবা থবক অদুনা মখোয়বু অৱাফমদা তাহঞ্জবনি হায়বসি। অদুবু মখোয়সু থম্মোয় পানবনি, মিনিষ্টর ওইগনি খঙলিবনিনা অরানবা থবক তৌরুরে হায়বদুমদি খঙজরমগনি। খঙজবসু ওইসনু খঙলমদ্রবসু।

# চামঙা চৎপী-লিশীং চৎপীশিংনা চৎনখিদবদা...

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন





**ইন্দিয়াগী** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইখঙ-খঙহৌদনা নহান (৮/১১/২০১৬) গী অহিং নোংয়াই মতুংদগী ইন্দিয়াগী হান্নগী শেনয়েক লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং ১০০০ চৎপীবু মখা তানা অমুক হন্না চৎনহল্লরোই হায়না লাউথোকখ্রে। মতুং তারকপগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না অনৌবা মোদেলদা নৌনা পুথোক্কদবা লুপা ৫০০ অমসুং ২০০০ চৎপীগী নোটশিং রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মাঙজৌননা শেম শাদুনা থম্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। থৌদৌসি খঙহৌদনা খুদক্তা লাউথোক্লকপা থৌদৌ অমা ওইবনা, ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক্তা হায়ফম খঙদনা চঙক্লবা অমসুং চরাংনবগী থৌদৌশিং খরা থোকহনখি। অদুম ওইনমক, পুথোক্লক্লিবা থৌদৌসিনা খুদক্কী ওইবা থৌদৌ অমা ওইবনা, চঙক্লবা অমদি চরাংনবা খরা থোকহল্লবসু, ইন্দিয়ান কন্ত্রি অপূম্বসিগী ওইনদি, মনুংদা অসুক্কী মতিক কান্নগদবা অমসুং তঙাইফদবা মরমশিং শোয়দনা লৈহল্লি। ব্লেক মনি (লোন্না তাশিন্দুনা থম্বা শেলশিং) অমদি অশাবা শেল ময়েকশিং (ফেক্ট নোটশিং) শীজিন্নদুনা ব্লেক্তা শেল তানবা কাঙবুশিংগীদমক্তি মথক্কী থৌদৌসিমক নত্তনা, মখোয়বু মতিক চানা ৱারক্ন বা পাম্বৈ অতৈ খক লৈতে। হীরমসিদা ঐখোয় ৱাখল অমুক্তং তামিন্নবা চঙই, লোয়ননা থৌদৌসিগী ৱাহন্থোক্না করি হায়রিবনো হায়বসিসু খঙজিনমীন্নবা হোৎনফম থোকই।

ইন্দিয়া হায়বা লৈবাকসি হৌখিবা চহী লিশাং-শিংনা, অচৌ-অচৌবা বিজিনেসমেনশিং অমদি ব্লেক মার্কেটরশিংনা ব্লেক মনি পায়শিন্দুনা, লোৎশিন্দুনা থম্বা লৈবাকনি। মখোয়না লুপা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইবা অচৌ-অচৌবা শেনফম কয়ামুক লোন্না, ময়ূম-ময়ূমদা অরোনবা চেক্করশিং হাংদুনা পৈশিন্দুনা থম্মী। চৎনবীসি ঙসিদগী চহী কয়ামুক্কী মমাঙদগী হৌনা লৈরক্লবনি। শেনফমশিংসি ফোংনা ইন্দিয়ান মার্কেটশিংদা মথৌ তৌবা শেনফমশিং অমত্তা নৎত্রবনি। লোয়ননা, ব্লেক মনি ওইনা লৈরিবা শেনফমশিংসিগী কাফম থোকপা ইনকম টেক্সশিং, ইন্দিয়ান ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টদা খক কারকপা তৌদ্রবনি। ফীভমশিংসিনা ইন্দিজয়ান ইকোনোমিদদি অসুক্কী মতিক কায়হল্লকই। মরমশিংসিদগী অরানবা থৌদৌশিংসি কোকথোকহল্লগা, তশেং-তশেংবা ইন্দিয়ান ইকোনোমিগী অনৌবা শক্তম অমা নৌনা শাগৎপা মথৌ তারক্লে হায়বসি খোল্লাউ অমা ওইনা থোক্লকপনি। থৌরাংসিমক হন্দক, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খঙহৌদনা থবক ওইনা পায়খৎলকপনি। থৌদৌসিমক ইন্দিয়াগী অফাও-অফাওবা ইকোনোমিষ্ট কয়ামুক্লসু মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা পাঙথোকহন্নীংবগী অপাম্বশিং হঞ্জিন হঞ্জিন পন্নদুনতা লাকখ্রবনি। অসুম্না, ফীভম্না য়াদদুনা পুথোক্লক্লিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী অওনবা-অহোংবা থৌরাংসিদা, খুদক্কী ওইবা শেল-থুমগী থৌদৌশিংদা নোংমা-নীনিদং অৱা-চৈথেং ফংনরবসু ইন্দিয়াগী মীয়াম্না মোরেল গ্রাউন্দদা সপোর্ট তৌফম থোকই হায়বসিসু থম্নিংই। ইন্দিয়াগী অনৌবা ইকোনোমি অমগীদমক অনৌবা মঙলানগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী অসিগুম্বা খোঙজংসিদা ইন্দিয়াগী অখঙ-অহৈশিং কয়ামুক্লসু মপূং ফানবা, অঙম্বা তেংবাঙশিং পীফম থোকই। থৌরাংসিগী কান্নবা মহয়শিং অমদি ইন্দিয়ান ইকোনোমিদা নৌনা হোংলকপা মশকশিং ইকুই কুইদনা শোয়দনমক্কী উবা ফংগনি অমদি লোৎপা য়াদনা থোক্লক্কনি হায়বা ৱাফমসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনসু য়াম্না চেৎনা থাজজরিবা ৱাফম অমনি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা নৌনা পুথোক্লক্কদৌরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নম্বা লোয়রবা, অনৌবা মোদেলগী লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং ২০০০ চৎপীশিংসিগী অনম্মল অসুক্কী মতিক য়াল্লমগনি। হান্নগী অরিবা মোদেলশিংগী লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং ১০০০ চৎপী নোটশিংবু খোমগৎনবা হোৎনবদা অমদি শেলশিংদুবু মাঙহনখিনবা হোৎনবগী থবক্তসু অহেনবা লেবরশিং অমদি শেনফমশিং থাদগদৌরিবনি। অনৌবা থৌরাংসিগীদমক ইন্দিয়াদা লৈবা বেঙ্ককী থৌমীশিংনা নুমিৎ কয়ানিমুক অহেনবা থবকশিং শুগদৌরিবনি লোয়ননা নুমিৎ কয়ানিমুক, বেঙ্কনা মতিক চানা ওন্থাং-ওনশিন তৌবা লোইদুনা নোর্মেল দ্যুটিদা লাকত্রিবা ফাওবা ঙাইদুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামশিংগী মতম মাঙগদৌরিবনি অমসুং বিজিনেসশিং ফেল ওইনগদৌরিবনি। পূন্নমকসি খল্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা, পূন্নমক পাথোক্লরবা মতুংদা থৌরাংসি পায়খৎতবা য়াদে অমদি পায়খৎপনা ফৈ খন্দুনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংসি, চুম্নগী ইচম-চম্বা অমসুং অরায়বা থৌরাং অমদি খক ওইরম্লরোই। মসিনা ইন্দিয়াদা লৈরম্বা ব্লেক্কী শেল কয়ামুক নৌনা হ্বাইটতা ওন্থোকহল্লকপা ঙম্বগে অমসুং ইন্দিয়ান ইকোনোমিনা কদায় ফাওবা য়ৌনা অনৌবা অমসুং অৱাংবা থাক অমদা য়ৌহল্লকপা ঙম্বগে হায়বদুদি পূন্নমক য়েংমিন্নরগা খঙমিন্নবা তাবনি। অসিদসু নত্তে, হন্দক্কী মতাংসিদা বেঙ্কতা শেল কায়থোক-কায়শিন অমদি থমদোক-থমজিনগী থবকশিং তৌবদসু তঙাইফদনা অহেনবা চেকশিন-থৌরাংশিং খরদং নৌনা হাপচিল্লগা শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং অসুক্কী মতিক হন্থহলহৌবসু য়াগনি। অরেম্বদা নমশিন্দুনা থম্লুরবা, মরম চাদনা লেম্না তাল্লকখিবা শেনফমশিং কয়ামুক হন্দক্কী মতাংসিদা, বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌরকপদা নৎত্রগা ওন্থোকপা লাকপদা চপখৎতুনা ফাজিনহৌবসু য়াই। দিপোজিৎ তৌরক্তবা তারগনা মশা-মশাদা অদুমক লেম্না, চৎনদনা মাঙজহৌবা তাবনি। কনাগুম্বা খরনা, মরম চাদনা হুরান-লোন্নাদা নৎত্রগা মখল-মথেলগী শেঞ্জারমশিংদা তানশিল্লকপা অতোপ্পগী অরেম্বা শেনফমশিং, মীগী মতেং পাঙনীংলিবনি হায়দুনা মশাগী শেন্দোং নৎত্রগা খুদোংচাবশিং খরা য়েংলগা মশাগী একাউন্টতা হাপচিনবীরুবা মতমদা অৱাবা থৌদোকশিং নংবা য়াই। হন্দক্কী মতাংসিদা চপখৎলক্তুনা শেনফমশিংদুগী হৌরকফমশিং থিগৎলকপসু য়াই। ফীভমশিংসিদা মী নেক্তুনা মশাগী ব্লেক মনিশিং হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপা শেঞ্জাও পায়বশিং হন্দক্তি শোয়দনা মরায়বক থিবা য়াওনরকপসু য়াই। ফীভমশিংসি মুন্না খন্থরুরগা হন্দক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌখৎলক্লিবা ইন্দিয়ান করেন্সিদা অচৌবা ভেল্যুগী নোটশিং খুদক্তা চৎনহন্দনবা অমসুং মহুৎ শিন্দোক্লবা হোৎনরক্লিবা থৌদৌসি অচুম্বা খোঙথাং অমদি ওইফম থোকই খল্লি।

মোদিগী অনৌবা থৌরাংসিদা মণিপুরদসু, ইলেক্সন ময়াগী পৈখৎনরুবা শেনয়ামশিং, কৌনখ্রিবা থবক-ইনখাংশিংগী পীশিন্নরকপা ৱানোম-শেঞ্জাওশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্না কৌরক্লিবা থবকশিংগীদমক ৱানোম্নবা তাশিল্লগা খূৎতা থম্লুবা শেলবুনশিং, মরম চাবা-চাদবা থিরগা বেঙ্কতা ওন্থাং-ওনশিন তৌহনবগী ফীভমশিং লাকপসিদা হায়ফেৎ হুমাং কানরবা মীওইশিং মশীং থিঙমদনা য়াওরম্লনি। খুদোংথিবগী ৱাদি, ঙরাং-নহান্দগী হৌনা হান্নগী লুপা ৫০০ চৎপী/১০০০ চৎপীগী নোটশিং শীজিন্নবা য়াহনখিদবদগী, লৈকায়গী অমদি মরুপ-মপাংশিংগী থৌদোক-ৱাথোকশিংগী পোৎয়েং-চাকয়েংশিং ফাওবা, চেক্তা ইরগা ওইনা পীনবগী থৌদৌশিং ফাওবা য়ৌরক্লবনি। থা অমা চুপ্না নুংতিগী নোংঙান্দ্রিঙৈদগী হৌনা বেঙ্ক মমাঙদা ক্যু লেপ্পগা ওন্থোকপা শেনফমশিং ফাওবা পুনশিল্লগা থা অমদা শুপ্নগী লুপা লাক্ষ অমগা লিশীং কুন্দগী খক হেল্লোইদৌরি। মরম চাদনা একাউন্টতা দিপোজিৎ পংতৌ তৌরুবসু হন্দক্কী মতাংসিদদি চপখৎলক্কদ্রা মীপাইনবদগী পংহেন হেন্না হাপচিন্নবসু ঙম্নরোইদৌরি। হন্দক্কী থৌদৌসিদি তশেংনা হায়রবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা হিষ্টোরিদা অচৌবা লাংনবা অমগী থৌদৌদি শোয়দনমক্কী ওইহৌরগনি। অমরোমদদি ফৈ, অমরোমদনা মচেৎতং পাঙথোকপা য়াবা থৌরাং নত্তবনিনা, হন্দক্কী থৌদৌসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা লাউথোক্লকপসিদা, ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক পুমথুং থুংনা পুমচেন চেন্নবগী ৱাফম লৈ। করিবুদি তৌরুগবনো, লৈবাক্কী ৱাফম্বু ইথন্তগীসু নত্তে। পূন্নমক মতম খরদি খাঙমিন্নবা তাবনি।

অরোইবদা হায়নীংলিবসি, লৈবাক্কী অসিগুম্বা তানফমসিদা বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিসনচিংবগী থৌমীশিংনা য়ারিবমখৈ পুকচেল তিংনা অমদি খোঙজেল য়াঙশিন্না ওফিসকী থৌশিং তৌহঞ্জনীংই। শেঞ্জা থুমজা হন্থহন্নবগী থৌরাংসিদা অমুক্কসু হন্না শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংগী অরেম্বা শেনফমশিং ওন্থাং-ওনশিন তৌবদা এক্সত্রা অচারমশিং ফংহৌনবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকহঞ্জনীংদে। লোয়ননা, থৌদৌ অসোমদা চত্থখিদুনা লায়রবা মীচম-মীয়ামশিংনা পায়জবা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং ১০০০ চৎপী নোট খরদু মহুৎ ওন্থোকপীনবা হোৎনবদা থওই-ৱাওইবীদদুনা মমাঙ-মমাঙগী থৌদৌশিংগুম, অৱাবা-খুদোংচাদবশিং লায়রবা মীচম মীয়ামশিংদা অমুক হন্না ফংহনবীদবা হায়নসু তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি।